## ৱারী মচা

# করিগী পিরাং

### ময়েংবম প্রেমচন্দ্র

থেঙলবা অহীংনি। মীচিক–মীরাওখোল তারক্তে। কৌজেং–হারৌগী ঈশৈগী খোঞ্জেল অমদি মরক মরক্তা মালংবগী শহুমদা খাঙঙমদনা উশা–ৱাশা, উনা –ৱানাশিংনা ফর ফর লেঙবগী মখোল নত্তনা করিমত্তা তাদ্রে। পুমচীক–চীকই। অহীং চাক্তাবা অহীংগী চেক্লা অমদি মালেমগী খোঙচৎসি নত্তনা তাইবংপান পুম্বা অহীংগী লাইরেম্বী ইমাগী তম্পাক্তা নীংঙাইদনা অশিবগুম য়াতারি।

“ইমা...ইমা...” মপান্দগী কনানো ’মনা কৌরকই তপ্লপ্না। তাবদি তায় অদুবু খুমদে। খল্লি, ‘কনানো অসুক থেঙলবসিদা কৌরক্লিবসিবো’ চিংনরকই। চিংনফমসু থোকপনি হৌজিক্কী মতমসিনা। ফত্তবা ৱাখল কয়া মওল–মওল খল্লকই– ’ফীজম শেৎপা সিফাইনা চৎলে হায়দো ওইরমদনা’। কনানা খঙ’ পোৎনো হৌজিক্কী মতমসিনা ফত্তবসিদা পংচীংদা–চিংনৈ।

মপান্দসু কৌবদি লেপ্তে। “ইমা... ইমা... পাবুং–পাবুং” শোহ্বাংনরবা তনিক্ল–খোঞ্জেলদুনা হঞ্জিন –হঞ্জিন কৌরি। পাউখুমতবু খৌরাংনা ঙাইরদুনা। ফনা কুইরে লেপ্তনা কৌরক্লিবা, তামল্লক্ত্রবদুদা অমনা তপ্লা শোনখিবদু তায় “থোঙসে হেক কাওখায়ববু”। অদুবু মখাদি তাদে।

অমুকসু লেপ্তনা কৌরক্লি “ইমা ইমা ... পাবুং ...পাবুং ...”, অথাপ্পদা খুলগী হুইশিংসু লেপ্তনা খোংলি। ‘কমদৌসিগে’ থোঙসিবো হাংদোক্লসিরা? ইতোমতা খঞ্জে। চমন্নে। হন্দক্তি মমাসু মীৎকপ থোকপগা তান চানরুবনরা, ঐঙোন্দা মমীৎ–মনা ইথক–থক্লা য়েংলকই। মনাকোং থাঙ্গত্তুনা মুন্না তান্নবা হোৎনরি। কনাগী করম্বা খোঞ্জেলনো খঙগদৌবগী হোৎনরিবরা নৎত্রগা ...? কিবদগীরা, পাখৎপদগীরা নৎত্রগা, কৈদৌসিগে হায়না হংলিব্রা খঙদে ঐঙোন্দা শংত্রিক য়েংদুনা লৈ। ঐনা খুম্ননবা ইঙ্গিৎ পী। মপান্দগীসু লেপ্তনা কৌরক্লি–’ইমা ... পাবুং’। মমাসু ঙাইহাক্তি খুমদে ইক–ইক তৌদুনা লৈ।

“কনানো ইবুংঙো, করি হায়গে?”

“ ঐখোয়নি ইমা, থোঙ অমুত্তা হাংদোকপিয়ু” অমনা খুন্নকই।

হৌগত্তুনা মমানা থোঙ হাংদোকখি। পাখঙ নুপামচা অনীখক চঙলকখি। থোঙসু মখোয়না থিংজিনখি। তৌরিবা পূন্নমক্তু ফমুংদগী ঐ লোইনা উই। অদুবু হৌগৎপদি হৌগত্তে।

মমানা– “ ইবুংঙো নখোয় ...!”

মমাগী পাখৎপা মতৌ উরদুনা চিংনবা কোক্নবা হায়রকই–

“ইমা পাখৎপিগনু। ঐখোয় অথাপ্পা মফম ’মদা থবক অমা চৎচগদবনি। অদুবু লম্বীদা খুদোংচাদবা খরা লৈগদৌরে, মদুগীদমক ইমাহোইদা চঙজরকপনি। নচাশিংবু নুংশিবিয়ু।”

করিগীসু নুংশিরোই, থৱায়না পোন্থা ওইদুনা মখোয়না তাল্লিবা নীং–তম্বা ঐখোয়গীসু শরুক য়াওদ্রবরা? য়াওরি, ঐখোয়গীনি, ফুরুপসিগীনি লৈবাকসিগীনি। অদুবু ঐখোয় মীখা পোল্লবা ফুরুপলা লৈবাক্লা? নত্তে ঐখোয় মীখা পোল্লবা ফুরুপ নত্তে। ঐখোয় নীং–তম্মী। নীং–তম্না হিংগদবনি। অদুবু ঐখোয়গী নীং–তম্বগী ফংফম থোকপা পূন্নমক্তুদি কুইরে খোঙ্গাওনখিবা উফুল্লক্তা।

“য়ারগদি ঙসি অহীংসিতদি লেকচখিগে। হয়েং নোংঙান্দ্রিঙৈদা শোয়দনা চৎচখিগে ইমা।” অমনা মখা তারকই।

করম্নদি লেক্কনু হায়গনি। চঙজরক্লবা মী অমদবু।
ইবেম্মদু হৌদোক্লদুনা মাগী কদা হীপহন্নবা লাঙঙি।
“নখোয়বু চাক্তি চারক্লবরা ইবুংঙো?” মমানা হংই।
“খরা চারক্লে ইমা, চাক্কীদি য়ারনি।”

তনৌ–তনৌরদনা মশকশিংদো কয়াদি নুংশিরে। নোংমনা মফম’মদা নোংমনা অমদা অরেপ্পা লৈত্রবা, নোংদম নাইদ্রবা ঙসি–হয়েং খঙদ্রবা পুন্সিদুনা কয়াদা ৱানা লেল্লমগদবা! তুম্বা চাবা মফম–মরাং খঙলম্লোই। ইমীৎসিনা শং–শং উরকই। অদুগা করিগীদমক মখোয়না লম্বীসিদা খোঙ থাংজিল্লক্লি? নীংবা থুংদ্রবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমখক্নরা নৎত্রগা মমা লৈবাকপু তশেংনা নুংশিবগীরা, কন্নিংবগীরা? অমুকসু খল্লকই – মমা মপাশিংদুনা মখোয়গীদমক কয়াদা ৱাজরমগদবা। অসুম্না ঙাইহাক্তি মখোয়গী ৱাখলদা উংলুই। মখোয়গী পুন্সিবু ৱাখলগী ঈপাক্তা কোয়পাই পাইদুনা থিরুরি।

কাদা চঙখিদুনা মফি–মরোলকা হোংদোক্তবমখৈ তুমখরে। ঙাইহাক্কী মমাঙদদি ৱারী শান্নবগী মখোল খরা তারম্বনি অদুবু মীৎকুপসিদদি মৱা–মখোল তাখিদরে, পুমচীক চিকখ্রে। তপ্ন–তপ্না অচিকপগী ঈরোলনুংদা মালেম পুম্বা লুপথখরে। অহীংগী লাইরেম্বী ইমানা নাউশুম ঈশৈ শক্লদুনা তাইবং পানসিবু শুম্বিরি, অদুগা মথানুংদা চেজেৎ কোনশিনবিরি।

মমাসু তুমথখরে। অদুবু ঐতদি তুম্বা য়াদ্রি। মীৎ কক্লা’মা উইশিল্লু য়াদ্রে। অহীংগী লাইরেম্বীনা থৌজানবিদ্রবরা খঙদ্রে। অথাপ্পদা হুই খোংবগী মখোল খরা তারকই। অসুম অসুম নকশিল্লকই। মিহুলগী খোঙজেল হেনগৎলক্লি, লেপ্তনা হুল্লি–দং–দং–দং। খল্লকই – পাঙদবা মীকিখি হায়বদুরা ঐসিবো? পুক্লিংগী অশোনবদু নিন্দা তৌজরুই ইথন্তা। অদুগা উইশিন্নীংদ্রবা মীৎসে তপ্না–তপ্না উইশিন্দুনা তুম্নবা লাক্নরকই।

খঙহৌদনা মশীং য়াম্লবা নোংমৈগী মখোল তারকই– ‘পোদ্রোক–পোদ্রোক’। পুম্মিল–নিল্লি মখোলসিতনা। মায়কৈ মরীমক্তা অহাংবা অতিয়াদা খোন্থাং য়ৈনা শন্দোকখি। করিনো তৌরিসিবো! নুপামচা অনীদু থোঙ হাংদোক্তুনা মপান্দা চেন্থোকখি। অদুবু মীৎকুপ্তুদা সুমাঙদা কাপ্তুনা হাত্তোকখরে। মদুগী মতুংদদি ইবোচৌবা, ইচানুপী মেম্মা, মমা মথং–মথং মমি –শামি ঐগী মীৎমাঙদগী মাঙখি। মসিগা লোয়ননা চহীনা লূমথরক্তুনা মন্থরক্লবা ঐগী য়ুমসু তপ্ন–তপ্না তুথরকখি অদুগা তাঙ্গোইরক্তা তিনখি।

মরোল–মরি খঙদনা খঙলাউ – লাউথোক্লুই। হুমাংতনা ইশাসে পুল্লুপ লুপ্পী। মীৎকপ থোক্লকই। মঙ পূন্নমক মঙ ওইরম্লবা। য়াম্না ফৈ মঙ ওইরম্বা। তাইবং ওইরম্লবদি ঐ কমদৌবা। মমই। পূম্মম মমই। মঙ ওইরম্লবসু থম্মোয়দদিমমি কোক্ত্রি, ময়েক শেংনা তাহৌরি। খোইরাং –খোইশাওনবা পোক্লি।

“ কৈদৌরে অদুক কন্না লাউরিদি!” মমানি। ঐনা কন্না লাউবদো তারদুনা করি তৌরবজাৎনো চিংনদুনা চঙলকপজাৎনি।

“কৈসু তৌদেদা ..., অঙাংশিংদুদি চৎখ্রবরা?” নাথৈদুনা খুম্মুই।

“চৎখ্রে, ঙসাই নোংঙানফাক্ত্রিঙৈদা চৎখ্রবনি।”

মমাসু থোকখরে। ঙাইহাক্তি কাসি পুমচীক–চিকই। ইশাসে ওমচাক্লবা হেনগৎলকই। মঙলানদো হাইফেত্তং নীংশিংলুই। থম্মোয়দা খাঙঙমদ্রবা মৈশা অমখক ফাওরকই।

নুমীৎসু থোক্লম্লে নোংপোক মায়কৈদা তরং–তরং সনা অহীংবা মচুগী মশেক–মঙালগা লোয়ননা, মালেমদা মঙাল য়েল্লম্লে। ইশাসে ইহৈ–হৈনিংদে, ইতন–তন্থে। নুমীৎনা ননখিবসিনরা খল্লি।

নুমীৎ খরনিগী তুংদনি। খবরগী অহানবা লামায়গী হেডিংদা ময়েক শেংনা ইরি “পুলিসকা কাপ্নবদা লালহৌবা নহা অনী শিরে।” সি ঙাক্তনি নুমীৎ খুদিংগী অদুদা কাপ্লম্লেগা, হাৎলম্মেগা তারম্মেগা। চীংগী ঈরাংসু নোংমা নোংমগী অসুম কনখৎলকই। নোংমতা কাংদে মীহাৎ–মীপুন, য়ুম মৈ থাবগী পাউ কয়া লেপ্তনা তারি। মসিদা মাঙজরিবনা কনা? ঐখোয়তনি। ঈ মশেল জাতি মশেল হাৎনরগা কান্নরিবসিনা করি?

ফোটোসু য়াওরি শিরিবা নহা অনীদুগী। হাইফেত্তং য়েংলুই। স্বায় লাউই। হান্না উখ্রবা শক্তম্নি কদাইদনো ’মা। নীংশিংলকই।

“ইবেল্লে ...” মমাবু কৌরুই।

“ করিনো ’মোই পাবুং, করি হায়গে?” খুন্নকই মমানা।

“মসিবো নহান ঐখোয়দা লেক্লম্বা অঙাংশিংদু নত্রনে?”

“কদায় ...” মুন্না য়েংই “মান্নিনে ওহ নুংঙাইতদা, মমা–মপাশিংদুদি করি ওইরমগনি!”

থম্মোয়দা থুক–লাউবা ’মা ফাওরকই। য়েংখ্রবা শক্তমদো হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংনিংলকই। অমুক্কা হন্না য়েংশিল্লুই, য়াম্না মুন্না মীৎ কুপ্তবমখৈ অমুক হন্না উবা ফংলরোই মতাগুম অরোয়বা মীৎয়েংদা। অসুম অসুম য়েংশিল্লুরগা করিমত্তা উরক্ত্রে, পুম্মম মমখ্রে। অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা উরকই, তশেং তশেং ময়েক শেংনা থৱায় য়াওদ্রবা ইবোচৌবগী হকচাংনা ঈগী ঈচেলদা তাউথরিবা ভশংবা নাপীথক্তা শাংদ্রোং শাংনা য়াতারিবদু থম্মোয়নুংদা মৈচাক অমখক ফাওরকই, মৈরী থোক্লা চাকখৎলক্লি, মৈচাক্তুগী মৈশা হেনগৎলক্লি। থম্মোয়নুংদা ওমচাক্নরকই। স্বর ফুনগৎলকই। অদুগা মীৎলুদগী পিরাং মরীক খরদং থিংঙমদনা, মনীং–তম্না চেন্থরক্লি।

---

# তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ‘‘মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে’’ দা য়াওবা শৈরেং ‘‘হারক্যুলিস ঐগী সাইকল’’ ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

## হারক্যুলিস ঐগী সাইকল

কার অমত্তা তোংবসু নুংঙাই
কার অহুম তোংবনা লঙনরমদ্রিবফাওবদি
জীপ তোংবসু মনুংঙাই
কার তোংবনা চৈরমদ্রিবফাওবদি
জীপ তোংবনা থীনা তৌরমদ্রবদি
ঐগী সাইকল হারক্যুলিস
মা অমুক নুংঙাইবদি লৈতেকো।

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

---

# মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**২৯১ অপাৎপদা হয়িং থাজিনবা**
– ৱারিঙৈ নুংঙাইত্রিঙৈদা অমুক্কা হেন্না ৱানবা শিনবা।

**২৯২ অপাম্বদা হঙ্গোইদে, নুংশিবদা পাম্মুদে, থাজবদা চিংনদে।**
– পাম্বু পাল্লবা, নুংবু নুংশিরবা পূক্নীংনবু য়ারবদি চিংনবা অমত্তা লৈত্রে।

**২৯৩ অপাম্বা, অনীংবগী পম্বুং লৈতে ।**
–অপাম্বা, অনীংবা ৱাখলগী অরোইবা পংখৈ লৈতে।
– মপান নায়দবা, পেনবা লৈতবা।

**২৯৪ মীগী মখূৎতা লৈবা পোৎ ঐগীনি হায়বা য়াদবা।**
– মীগী মখূৎতা লৈবা পোৎ ঐগীনি হায়বা য়াদবা।

**২৯৫ অপাম চেংলৌ মিৎথিৎপা**
–অপাম্বা পোৎ উবা, মীৎনা য়েংবদা য়ান্না পাম্বা।

**২৯৬ অপাম পূক্নীং চঙবা।**
– থৱায়না পাম্বা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

# লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক ঃ লমজেন (শৈরেং, ২০১৪)**
**অইবাঃ থাংজম ইবোপিশক**
**অফোঙবাঃ ইরুংবম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল**
**মমলঃ পেপর বেক লুপা ১৫০/-**
**হার্ড কোভর ঃ লূপা ২০০/-**

মণিপুরী সহিত্যদা থোইদোক্লা শকখঙনরবা কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেংগী লাইরিক ‘লমজেল’ হায়বসি য়াইবিরেন কম্যুনিকেন্স, উরিপোক খ্বাই বক্ষপুর, বীর টিকেন্দ্রজিৎ লৈকংথোং মনাক, ইম্ফালদা কপি মশীং ৬০০ খক নম্নগা ফোঙখিবনি। লাইরিক্কী মখুন্না ৱাই গনিন্দ্র সিংহনা শেম–শাবনি। অইবসি মণিপুরী শৈরেংগী লমদা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী মতুংদা থোইদোক্লা শীংথানরিবা কবিনি। লামায় ১০৫ পানবা শৈরেংগী লাইরিকসিদা কবিনা মখল–মথেলগী হীরমশিংদা য়েংবা মীৎয়েংবু উৎলি। কবিসি হৌরকপদগী হৌনা সেটশরিকেল ওইবা মওংদা শৈরেং ইরক্লবসু হন্দক্কী লাইরিক অসিদদি হেঞ্জিন্না সেটারিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগী উরকপা সমাজসিগী শক্তম উৎনবা হোৎনরি। মীওইবা সমাজ অসি পংহিং হিংবা, হিংবগী অর্থ থোইনা খন্দবা, অকনবনা অচুম্বা শকপা, অচুম্বা হায়বসি ৱাহৈ ওইনা লৈবা নত্তনা অওইবা তাইবঙদদি উবা ফংদবা, মীওইবদা লৈফম থোকই হায়না খনবা মগুন অমত্তা য়াওরক্তবা, মীগা শাগা খেন্নবা করিনো খঙজিল্লক্তবা মতৌবু কবিনা শীথদু ইরি। মসি মায়কৈ পূম্বদনি– রাজনীতিদা, অর্থনীতিদা, চৎনরোলদা, লাইনিংদা। কবিগী মীৎয়েংদা সমাজ অসি ইতাও তাওনা উই। মীওইবগী মমল খঙবা মতৌ সমাজসিদা উবা ফংদে। পূন্নমক মপান্দা মালহনবা মনুংদদি কৈসু য়াওদ্রবা অহাংবা ওইনা উই। অসিগুম্বা হামচৎনবা ফিভমসিদা হিংবদা চোকথবা ফাওরকই। অদুবু নহা ওইরিঙৈদা তৌবগুন্না শাওবদি ঙমদ্রে, নোক্লিংবা ফাওরকই, করেন্নবা লক্কবা পান্নকই। মহাক্না য়ানিংদ্রিবা সমাজকী ভেল্যু সিস্টেম অসিগী মথক্তা লক্কবা করেন্নবদগী মহাক্কী শৈরেংশিং অসি থোরকই। অদুবু অইবসিগী শৈরেংশিংদা হ্যুমেনিষ্ট অমা ওইবগী পাক–চাউরবা মীৎয়েংদি খক থাদোকপা তৌদে। মহাক্না মীওইবা সমাজবু করেন্নরিবসি মীওইববু তাথীবগী নত্তে, নুংশিমনবদগী তাথীরিবনি। সমাজ অসি ওন্থোক্লা মতীং লৈতবা, মথোং মরম খঙদবা ওইনা কবিগী মীৎয়েংদা উই।

শৈরেং ৫৪ য়াওবা শৈরেং লাইরিকসিদা য়াওরিবা হীরমশিংসি মখল মথেলনি। মহাক্কী শৈরেংশিংদা মীশক –মীওই কয়াদা শদ্ধাঞ্জলি কচ্চবা শৈরেংশিংবু য়াওরি। মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি এলাংবম নীলকান্ত অমদি কবি শ্রী বীরেনগী মফমদা কচ্চবা শৈরেং য়াওরি। কবিনা করি করিগুম্বদা সমাজ অসিবু ভুতকী লৈবাক অমগুন্নসু উরকই। অচুম্বা, ফজবা, নুংশিবা হায়বদুগী মমল মাঙখ্রবা, থাজবা য়াদ্রবা লৌনম–নমথাক ময়ান্না সমাজ অসিদা অশেংবা শক্লোন লৌদুনা সমাজ অসিবু পানবা ওইনা খল্লকই। করিগুম্বদা মীওইবগী পূন্সিদা অশিবা হায়বসিনা পোকহল্লিবা লাংতক্লবা কয়াবুসু খলহল্লি – অশিবা, নঙনা শক লোত্তুনা / মফম খূদিং থুংনা লৈ। করিগুম্বদা নহাক্লা / ওন্নীং ওন্নীংবা শক্লোন লৌদুনা / চেক্লা ওইনা পাইরবসু। উপাল ওইনা হৌরবসু / লৈরাং ওইনা শাৎলবসু / কনানসু য়েংন্নীংলোই নঙগী নশক / কনাগুম্বগী থোঙজিন্দা ইখঙ খঙহৌদনা নহাক্লা / অতিথি ওইনা থুংলবদা / কপ্লা কপ্লা ওকপা ঙাক্তনি উপায় লৈতনা। (লাঃ১) কবিনা হায়নীংলিবসি নেচরেল দেথ অদু নত্তে। মীওইবনা মীওইবগী য়াইবী থৱায়বু তেমশীংনরিবা, থৱায়গী মমল লৈত্রবা সমাজসিগী পূন্সিগী মশকপু উৎপনি। হৌজিক্কী সমাজসিদা মীওইবগী মমল লৈরক্তবা, মীওইবগী থৱায়বু মন্তিক্লরকপা ফিভমসিদা কবিনা পেন্দবা উৎলি। কবি থাংজম ইবোপিশক্কী হন্দক্কী শৈরেং লাইরিকসিদা হৌজিক্কী ৱারবা মীওইবা খুন্নাইগী অৱাবা পাউদম অমা য়াওরি। শেঙদোকপগী মশক্তসু চঙখোনবা ইমেজরি, সিম্বল, মেটাফর অমদি ইল্যুজন কয়া শীজিন্নদুনা মরেপ লূনা ফোঙদোকপগী মশক উবা ফংই।

**আর জে মীতৈ**

---

## শৈরেং

### মতমসিগী লৈঙাক ৱারী

*কে ঐচ সিধা*

ফন কুইরে নঙনা লেপ্তনা লৈরিবা
নোংমতসু হরাওনা লেপ্লমদে ইমাদো!
নোংমতা উখিদে নঙগী সেবা
লাইরবী ইমাবু লুনা তৌবিখিবা
নহাকথক্তনি ইমানা ৱাজখিবা ময়ামদো
ঙসিদি করি ওইহল্লগে ইমাবু?
নখোয় মশেল অকম্বা তান্নবা
মীয়ান মীতোপশিং লেপ্লি নোক্লি
য়েংলি নখোয় মশেল হাত্তোক্লবদু।
কনানা অচুম্বা কনানা অরাম্বা
পুন্নমক নখোয় অমত্তনি কাওবরা?
করিগী অদুক থম্মোই পিকথরি?
ওইজবতা লৌগে খন্বা লৈঙাক
ওইদবতা ঙাংদুনা অচুম্বা শাবনদি
অচুম্বা লৈঙাক পুরকপা ঙম্লরোই
ইশাগী হৌরকফমবু নুংশিবা নিংশিংবা
ঙমদবা নঙগী লৈঙাক থৌদাবু
থাদোকপা ঙমদবা লৈঙাক লৈখিগদ্র?
ঙাংনদনা করম হিংসিবা।
ওইথোক্লরোইদবা নুংশি লৈপুনগী
ঙাউরি ঐদি ঙসিসু
উনিংদুনতা লৈরি নঙতবু
য়েংবগীসু পেনবা নায়দ্রি।
করিনা লমন শিংগনি
নুংশিবীবা থম্মোয় মাগী
নিংশিংবা চাম্মা চাম্মগা
কাউঙমদনা লেনবসি নত্তনা।

### নুংশি কাদা থৎতুনা

*নিসা বাশি*

নুংশি কাদা থৎতুনা
চীংজাউগুম লেপ্তুনা নঙনা
করিগী লৈরম্নী চৎনবী
লানঙমদবা পল ওইদুনা।
কয়াদা ৱাজখিবা ঐনা
উনদনা করম খঙসিবা
লোন্না কয়ারক কপচখিবা

### পাইখ্রবা থৱায়শিং

*থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ*

সেক্রেটরিয়েটকী কোলুনা চপখায়বদা
ফদি শারবা খুঙ্গংগী লম্বী থোংশিং
লোয়শঙ মচাশিং
মিরাং ওনখ্রি।
কোলু চিংহল্লিবা ষণ পাবোৎশিং
ষণবী শন্নাউশিং
মনমগন্দা হাইথরক্লিবা শাজৈগী চৈনাশিংদা
য়াওরক্লিবা অৱামল
চাকলূক কয়া ফংবগে নোংমগী?
খুলগী য়ূমথোঙ য়ূমথোঙশিংদগী
মবূক হাপ্লবা পূন্সি কয়া
পাইখ্রি লম্মাঙনরবা উচেক ওইনা
লৌবুক লমহাঙশিংদা।
ওইরে য়েক্লবা মালংবা
মতম অমগী চান্ন মরুপ
নুংশি লৈনম য়েনবিরম্বদো।
কংশিল্লক্ল উপাল উবদা
মীনুংশি থৌজাল লোৎখরে
অনৌবা ময়োল চোংলক্তরে
পূন্সিনা মঙলানবু কিরক্লে।
কনানা তাবিনি ঐগী ৱারী
কনাদা নিরুনি থৌজাল ঈরিক
লাইশংগী লাইপুসু হাপহৌই
হৈরুক ইনাকখুনবীদুগী খুবাক্তা।

### ইদোম ঙাইহৌরে লম্বীসিদা

*জি. এ. ঘনপ্রিয়া দেবী*

ইদোম্ ঙাইহৌরে লম্বীসিদা
নাইতোম্ চৎহৌরে ইথন্নতা
নুংশিবা চান্নবা পূন্নমক্
লইরম্লে ঙাইহাক্কী লমদনবা।
লৈখোক কংলবা লৈনাদা

### য়েনিংথানা লাকপদা

*থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

নাকেন্থাগী খুদোলদি য়েনিংথানি
মপু মাগী শোইফদ্রবা থৌশিলবু
কনানা শিংবা ঙমগনি
মালহৌনবা অনৌবা য়েনিংসে।
থৱায় পানবা খুদিং
হাপ্লি অনৌবা থৌনা
কুমদমগী নোংলিক্লা য়ৈবদা
শঙল ফিজোল হোংলদুনা।
কুসুমলৈ কোমবীরৈ লৈশাৎ তম্নক্লে
চিৎথহৌরনি মতাগুম শাৎকাইরক্লে
অঙাংবা কুরাও মপালসু
মপুগী য়াথং পুরদুনা।

### নীংথিরবী মীৎয়েংগী লীকাপ্পা

*টি. ঐচ. য়াইফবা*

নীংথিরবী মীৎয়েংগী লীকাপ্পা
নুংশি পাওখোং চল্লম্নগা
লোন্থোক্ত্রবা চিনবালনা চল্লম্বগুম
পুন্সিগী চৈনানি পাওখোংদো।
চৈখল অমগী মরুমদা
করম্বা পাওখোংনো চললিবা
নুংশি ইথক ইপোন্না
থম্মোয়দা মোমোন নোকপদি
তাইবং কনানা খঙলুনি।
থম্মোয়গী অরোনবা পাওখোংদো
ফোংলগে খল্লি ঐসু
মীৎয়েংগী তান্থা অমনা
ইনিং তৌনা ফোংজগে
নুংশিগী তান্থা চান্ননা।

### মচু ওনখ্রবা নঙগী থম্মোয়

*এন. মঙাললৈবী চনু*

মচু ওনখ্রবসু নঙগী থম্মোয়না
অতিয়াগী অপাইবা লৈচিলগী মপৈগুম
অচিকপা অহিংগী থেংলবা থাবলদা
ইদোম কপনা খাঙজরি মৈচাকসে।
ঐসু খঙই নঙ হলক্লরোই
অমুক হন্না লেপ্লররোই ইমাংদা
অদুবু কাওগে খল্ল খল্লগা
নিংশিংলরোই নিংল নিংলগা হেন্না
নিংশিংলক্লে নঙগী শক্তম অসুম।
অসুক ৱাবা নুংশি লম্বী
করিগী চৎলুরি লমহেনবী থম্মোয়
ৱাজৌ নঙদি খাঙজৌ মৈচাকসে
শিন্থসনু পিরাংসে লেপ্ল নাইদনা
চামথোকখিনবা নঙগী কাউঙমদ্রবা শক্তমসে।
শিন্থনু পিরাং শিন্থখো লেপ্তুনা
মুথৎপীরো ঐগী থম্মোয় মৈচাকসে
কংখ্রগা নঙগী তরুবা ঈরিক্লা
ওইহৌসনু ঐগী থম্মোয় লৈকংলা
চোংদনবা নুংশিবগী হানৌ অমুক।

### মী

*কামিনিকুমার*

মীওই মখল য়ামই।
অমদা নত্রগা অমদা
ঙাওই লোইনমক
লৈতে ঙাওদবা অমত্তা
থিবা ফংলোই ঙাওদবা মী মালেমদা
ঙাওদবদুদি অবিনি।